# ঐনা রটাবন চীংদোল য়ৌবা ঙমজখ্রিবসি তশেংবদি এন সী সীগী কেদেট অমা ওইজরকপদগীনি : বি উমেশ্বরী



বি উমেশ্বরী, ভেটরান চীংকারোয়

(হান্নগী মখা...)
রটাবন চীংদোল কাবগী চঙখিবা মতমসি চাউরাক্লা থা অমরোমনি। চীং কারকপদা থেংনরকখিবা ৱারী খরা হায়বা তারবদি, ভোজপত্র মনাদা জিলভি চারকখিবসিসু অমনি। ঐখোয়না রটাবন পীক কাখিবসি টিম অমদা মেম্বর মী মঙা/মঙানা শাই। ঐখোয়গী টিমদগী পীক সমিট তৌখিবসি ভরটি বেনরজিগা ঐহাক্কনি। ভরটি বেনরজি হায়রিসি সেকেন্দ লেফটিনেন্টনি। মানা ঐখোয় টিমগীসু দেপ্যুটি লিদর ওইবনি।

হিমালয় কাবগী মতমসিদি, চহীগী ওইনা অরেপ্পা মতম অমা লৈজে। এপ্রিল থাদগীনা ওক্টোবর ফাওবগী মনুংসিদা খুদোংচাগদবা নুমিৎ লেপ্পগা অদুমাইনা কানৈ। চৎপগী খোঙচৎ অসিসু চীংখোঙদা স্নো তাদ্রিঙৈদগী দেবদারু পাম্বী মরাং কায়না হৌই। ঊচান পাম্বীসু খরা খরা হৌই। ভোজপত্র পাম্বীসিদি মশীং খঙদনা হৌবা ঊরকখি। অহানবা চৎপা মতমসিদদি ভোজপত্রসি মশকসু মশাসু অমত্তা হেক খঙদে। রটাবন চীং কাবগী অহানবা ঐখোয়না চীংখোঙদা হেক থুংবগা, হোটেল অমদা জিলিবী চাই। জিলিবীসি ভোজপুত্র মনাসিদা হাপ্লগা পীরকখি। মপান্দদি চান-থক্লবসি ঊনাদা অদুম হাপ্ল বনিনা ইচম চম্বা ঊনা ওইরবোই নীংই। মুম্বাইদগী লাকপী ইমান্নবী অমনা ঊনাদুদগী জিলিবীসি লৌথোক্লগা মখূৎনা তপ্পা নান্থোক্লগা কলম পুথোক্লগা ইবসি উবদা , হৈমা মসিগী ঊনাসিদি চিঠি ইবা য়াবোইরে হায়দুনা ঐসু ঐখোয় পাবুংদা ইরগা থাখি। অদুদগী পাবুংনা হল্লকপা মতমদা, নঙনা ইদুনা থারক্লিবা ঊনাদু য়াম্না তাঙবা পোৎনি। সিদদি ফংবদসু ৱানা থোকই। মদুদা মরাং কায়না ফংলবদি নঙনা যূমদা থোরকপদা খরা পুরকউ হায়রকখি। পাবুংনা অদুম্না হায়রকপদগী ঊনাদা নত্তনা মকুসু ফক্ল-ফক্লগা ফনা য়াম্না পুরকখি। ঐনা ভোজপত্র পুরকএ তাবদা পাঞ্জি ময়াম অমা লৌবা লাক্লখি।

লৈসিদসু ফজ ফজবা য়াম্না শাৎলি। খরা হেন্না মরাং কায়না শাৎপসিনা রোদোদেদ্রোননি। তপ্না তপ্না শুম শুম ৱাংখৎলকপদগীদি ঊন মরক্তা অদুম চৎপনি। চৎপসিদি ঙাইন-ঙাইনরগা চৎলি। করিগুম্বা মতমদা ইশা ইথন্তা পুং কয়ামরুম চাউরাক্লা পুং ২/৩ রোম চৎপসু য়াওই। খুদোংথিনীংঙাই ওইদবা মফমদদি নাইতোম ওইনা চৎপদসু করিসু খন্নদে। অহানবা চৎখিবা কাঙবুসিনা লন্থী তাকপা ওইনা মার্কিং অমমমদি অদুম থম্নরম্মী। মসিসু য়াম্না মরু ওইবনি। ঐখোয় মশেল গ্রুপ ময়ামসি পাউ ফাওননবা টিম অমমমগী সেট অমমমদি পায়নৈ। মদুনা মথং মথং পাউফাওনরগা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসনগী কাঙবুগা চীংকারোই ঐখোয়গসি মতম চুপ্পদা কনানা করি তৌবরগে? কদাই য়ৌরবগে হায়বসি খঙনৈ।

কুমজা ১৯৭৭কী সেপ্তেম্বর ২৮দা রটাবন পীক য়ৌরুরগা কুমথরকপা মতমসিদা নুমিদাং ওইশিল্লক্তুনা খরা থেংদোকখ্রে। ঐখোয়গী ফিক্স রোপকী অহানবা মচিন লৈহৌবা মফমদু য়ৌবদা নুমিদাংগী পুং ৭কা মিনিট ২৮ তাখিরম্লে। অহিং ওইজরবসু থাবল ফবা নুমিৎ ওইবনা রটাবন চীংদোলগী ফজবশিং তরু-তরুনা উবা ফংখি। থাবল মঙাল অদুদা ওন্থোক্লা পূক্লিং হুনীংঙাই ওইবা শক্তম অমা ওইখি।

থাবল ফরবা অহিং অদুদা ঐখোয় মথং মথং থৌরিদা য়ান য়ান্দুনা কুল্লকপনা নুমিদাংগী পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মফম অমা থেংনরে। হায়রিবা মফমদু হেক য়ৌবগা ঙৈহাক্কী মমাঙদা পুঙান



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

ঙান্দুনা ঐখোয় খুদিংমকপু শুমহৎলম্বা ফজবশিংদু পুঙমম মমশিনখিদুনা অমম্বগী লাইরেম্বীনা মীৎকুপ্তা য়োৎশিনখ্রবগুম পোকহল্লে। রটাবন চীংদোলগী ফজবা নীংথিজবা পূম্নমকসু পুঙমম মমশিনখ্রে। ঙৈহাক্তংদুদা মফমদু শুক্লা-মম্বা হায়বদু ওইখ্রে। করি অমুক হায়গনি, শুপ্পগী ফুট তরুক, তরুকখক্তং লাপ্পরগা থৌরিনা পুল্লগা চৎমিন্নরিবা ঐখোয়ফাওবা খোঞ্জেল নত্তনা করিমত্তা উবা ফংনখিদ্রে। মরম অদুনা লেপ্তুনা কুমথবা তারবদি খুদোংথিবা মায়োক্লবা তারে খন্দুনা মতম খরদং লেপ্লসি হায়না খন্নরে। মতাং অদুদদি ৱাবনসু হায়নীংঙাই লৈত্রে।

চারক থক্লক্তবগী চোকথরকপনে, অৱাবা খুদোংথিবা মথং মথং থেংনরকপগী ৱাবনে, ঐখোয় তৌফম খঙদ্রে। মমৈদা নূং অমগী মখাদা আইচ-এক্সনা নীংথিনা তেমখায়রগা অকোয়বদা থোরিনা খাজিল্লগা ঐখোয় পোত্থারে। তৌবদি ঐখোয়না ঙৈহাক পোত্থারিবা নূংজাউ অদু চাউখ্রবা নূংজাউনি। করিগুম্বা লাইবক থীবদগী খঙহৌদনা ওন্থরক্লবদি ঐখোয় মঙা অসি মচেৎ মচেৎ খরা ফংবা নত্তনা পূন্না ফংবগী ৱাফমদি লৈত্রবনি। অদুবু অসিগুম্বা মতম অসিদা ইরাক্লরবা মী অমনা খজিক্তং ওইরবসু শাফনবা হায়দুনা ইকা অমা ফালবা য়ান্নে হায়বগুম ঐখোয়সু ৱাবগী পন্দোম লোম্লবা মীৎকুপসিদদি, চাউরবা নূংজাউ অসিদা ঙৈহাক্তং ওইরবসু পোত্থাগে হোৎনরি। নূংজাউগী মথক্তা ঐখোয় পুং অনীরোম চুপ্পা পোত্থাদুনা লেপ্লম্মী। লাইবক ফবনা ঐখোয়না লৈরিঙৈদুদা নূংজাউদুগী ওইবা থোইদোকপা অৱাবদি থেংনদ্রে। অদুমকপু, মফমদুদা লৈরিঙৈদা য়াম্নমক ইঙশিল্লকপদগী ভারতি বেনরজিগা ঐহাক্কদি মওং অমা তাদ্রে। হিমালয়গী ঊন পুবা অইংবা নুংশিৎনা হঞ্জিন হঞ্জিন ইশাদা য়ৈরবদা, ইঙবদগী হেঞ্জিল্লক্তুনা চৈনাখোল ফাওরক্লে। মতাংসিদদি খাঙবা ঙম্লক্তুদুনা ঐখোয় খুদিংমক খোঞ্জেল থোক্লা কপ্পা হৌরক্লে। অদুক য়াম্না ইঙবগী চৈনা, পুন্সিদা অহানবা ওইনা থেংনবা ওইবনা ঐখোয় খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখি।

-মথং-মথং



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৪

১) কুমজা ২০১৭কী মতমদা সেরেনা ৱিল্লিয়ম অঙাং উনবগীদমক টেনিস শান্নবদা শরুক য়াখিদে। মহাক্কুম্না শান্নরোয় অমসু চহী অসিদা অঙাং উনবদগী টেনিস শান্নবদা শরুক য়াবা ঙমখিদে, মহাক কনানো?

২) এস এস য়ুগী মোনিকা অমসুং চন্দ্রজিনি, ইষ্টর্ন স্পোর্টিংগী দেবজানি অমসুং মনাও দেবী, দি এম কোলেজগী গৌরিকুমারী দেবী ষ্টেট অসিগী মমিং লৈবী লমজেল চেনবীনি। মখোয়গী মনুংদা অমদি লমজেল চেনবগী মথক্তা মশান্না অমদা মমিং চৎপীনি। মহাক্কী মমিং অমসুং মশান্না (দিসিপ্লিন) অদু করিনো?

৩) খুমনগী হাওখোং সিনাইখু কৌবা অকনবা নিপা অমগা মৈতৈগী অকনবা অমগা ‘চায়নবদা’ মৈতৈগী অকনবা অদুনা তা হান্না লংখি। মদুদা হাওখোং সিনাইখুদা পানবা ঙমখিদে, হাওখোং সিনাইখুনা তা লংলকপা মতমদদি মৈতৈ অথৌবা অদুগী মফৈগন্দা পানখি। চৎনবী মতুং ইন্না মহাক্কী মঙক অদু কক্কদবনি। অদুবু মৈতৈ অদুনা হায়জবদগী মঙক্তি ককপীখিদে। মৈতৈ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈদা ওলেম্পিয়াদা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈদা গ্রিসকী ৱা ঙাঙবা হৈবা নুপা লুচিংবা অমনা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা গ্রিসতা পারসিয়ানা লান তারক্ক-দৌরে। মরম অদুনা স্পার্টানা কংফালদা অমদি এথেন্সনা ঈশিংদা লমজিংদুনা পারসিয়াবু থিংগদবনি হায়না মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙখিবা মীশক অদু কনানো?

৫) পীরিবা শক্তম অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## এদিটর এফ সীনা এক্টর এফ সী, অম্মিক এফ সী-বিনা অম্মিক এফ সী-এগা সেমী ফাইনেলদা শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিএন (এ এম এফ আই এম পি এ) না শিল্লগা পাৎশোই পার্ট টুগী মনুং চন্না লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪শুবা এ এম এফ আই এম পি এ নাইন এ-সাইদ ইনভিটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেলদা হয়েং এদিটর এফ সীনা এক্টর এফ সীগা শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমী ফাইনেলদনা অম্মিক এফ সী-এনা অম্মিক-বিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি এ এম সী এ-বি অমসুং ইক্বিপমেন্ট এফ সী শান্নখি। মেচ অদুদা ইক্বিপমেন্ট এফ সীনা এ এম সী এ-বিবু গোল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি। ইক্বিপমেন্ট এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কবিনা মেচকী ১৯শুবা অমসুং ২০শুবা মিনিটতা গোল অনী, লমজিংবনা মেচকী ২৫ প্লস ৱান চৎপা মিনিটতা গোল অমা, নাওবীনা মেচকী ৪৯শুবা মিনিট অমসুং ৫০ প্লস থ্রি চৎপা মিনিটতা গোল অনী চনখিবনি। অদুগা মায়থীহৌরবা এ এম সী এ-বিগী গোলশিং অদুনা বিকেসনা মেচকী ১৩শুবা মিনিট, কোইদুম্না মেচকী ২৬শুবা মিনিট অমসুং রঞ্জিৎনা মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেচ ওইনা এ এম সী এ-এ অমসুং কোরিও এফ সী ঙসি নুংথিল শান্নখি। মেচ অদুদা কোরিও এফ সীনা এ এম সী এ-এবু গোল ৮-১দা মায়থীবা পীখি। কোরিও এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোকি, বিকি অমসুং অতাইনা গোল অমমম, জেকসন্না গোল ৩, অদুগা অঙৌনা গোল অনী চনখিবনি। অদুগা এ এম সী এ-এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লবজোয়না চনখিবনি।

চালৌ কপ - মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## চালৌ কপ - মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুংনা ঈ য়ু এস সী তেলৌ, এম এস এফ সী হৈঙাংনা এস ৱাই ও সৈজাং মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা চালৌ কপ- ৮শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ ৱিথ ইনভাইটিজ ওফ অন্দর কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুংনা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাংনা এস ৱাই ও সৈজাং মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুং অমসুং ঈ য়ু এস সী তেলৌ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্লা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপগী অহুমশুবা মিনিটতা ৱাই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৮ দল্লিয়ু দেনিএলনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১২শুবা মিনিটতা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুংগী জর্সি নম্বর ১৩ এ নোংপোকঙানবনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। ৱাই ৱাই সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্ল বগীদমক ঈ য়ু এস সী তেলৌগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মেচকী ২৭শুবা মিনিটতা ঈ য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রমানন্দনা গোল অমা চন্দুনা ঈ য়ু এস সী অমসুং ৱাই ৱাই সী গোল ১-২দা লৈহনখি। অদুবু মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা দল্লিয়ু দেনিএলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৱাই ৱাই সী অমসুং ঈ য়ু এস সী গোল ৩-১দা অমুক লৈহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা ঈ য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ১২ এল সুনিলনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-৩দা লৈহনখি। ৱাই ৱাই সীগী অহুমশুবা গোল অদুসু হন্দোক্ল বগীদমক ঈ য়ু এস সীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৱাই ৱাই সীগী অহুমশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা ঈ য়ু এস সী তেলৌ মায়থীহৌখি। অদুগা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুংনা মেচ অদু গোল ৩-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী এম এস এফ সী হৈঙাং অমসুং এস ৱাই ও সৈজাং শান্নখি। মেচ অদু এম এস এফ সী হৈঙাংনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা এস ৱাই ও সৈজাংবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। এম এস এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অনিলনা মেচকী ৯শুবা অমসুং ১২শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি। অদুগা সিটলজিৎনা মেচকী ১৬শুবা অমসুং সুভাসনা মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা এস ৱাই ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ তোনদোনবনা মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী ওপনিং মেচতা ঙরাং এস টি টি সেক্তা অমসুং বি এস য়ু ককচীং শান্নখি। মেচ অদু এস টি টি সেক্তানা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা বি এস য়ু ককচীংবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। এস টি টি সেক্তাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু হেনরিনা গোল অমা, অকনবনা গোল অনী চনখিবনি।

## নেসনল পেনকাক সিলাট টিমগী কোচিং কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : ইন্দোনেসিয়াগী জর্কাটাদা ফেব্রুৱারী ৮দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮গী টেষ্ট ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী নেসনল পেনকাক সিলাট টিমগী ওইনা সেক্তা কম্যুনিতি হোলদা নুমিৎ ১৫নী চুপ্পা চথরকখিবা কোচিং কেম্প ঙরাং লোইশিনখ্রে।

ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্প অসি ১৮শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮গী টেষ্ট ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা অখন্নবা শান্নরোয়শিংদা ত্রেনিং পীবা ওইনা পাঙথোকখিবনি। কোচিং কেম্প অসিদা মণিপুরদগী নাওরেম বোইনাও, হুইদ্রোম বিসাল মীতৈ অমসুং থোকচোম মেনকা শরুক য়াখি। অদুগা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুম্না কোচিং কেম্প অসিগী কোচ ওইখি। কোচিং কেম্প অসিদা শরু কয়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় অহুম অসি দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি।



## অম্ফানা ক্লবশিংদা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী দিরেক্সন মতুং ইন্না দি এস এ অমসুং দি এফ এশিংদা এফিলিএট তৌরিবা টোপ দিভিজনগী ক্লব খুদিংমক্না মখোয় মখোয়না কন্সটিট্যুসন অদু অম্ফাগী ওফিসতা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৭ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌরক্কদবনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিকট অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা কুমজা ২০১৩দগী হৌনা লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম চহী অসিগী ওইনসু তরুকশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট অমসুং মেন ফিজিক কন্টেষ্ট লাক্লিবা এপ্রিল ২৮ অমসুং ২৯দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওইনাম মমাঙ লৈকায় লাইফম লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি।

মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট অসিগী কেটাগোরিশিং অদুদি সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র অমসুং মাষ্টরগীনা সোর্ট, মেদিয়ম, টোল অমসুং সুপর টোলগী কম্পিটিসনশিংনি। অদুগা মাষ্টর অমসুং মেন ফিজিক্কীনা ওপন ওইগনি। অকূপ্পা মরোল দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদগী খঙবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




HL-B/4352/19/1-18-2


## জিরি কপ : ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা জে পি সী ত্রিপুরা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচএনএস) : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা জিরি কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা জে পি সী ত্রিপুরাবু মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা পূন্না টিম ১৭না শরুক য়ারগা পাঙথোকপা ১২শুবা জিরি কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল লীগ রাউন্দগী ষ্টেজদা ঐচ আই এস য়ু থৌবাল অমসুং জে পি সী ত্রিপুরা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৪শুবা মিনিটতা জে পি সী ত্রিপুরাগী জর্সি নম্বর ১৯ সিব দেব বর্ম্মনা ওন গোল অমা চনখিবদগী মেচ অদু ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা জে পি সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লবসু ঐচ আই এস য়ুনা অনীশুবা হাফতা অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৬৩শুবা মিনিটতা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৮ কিষন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা অনীশুবা গোল অমুক ঐচ আই এস য়ুগী মায়কৈদগী চনশিল্লকখিবা অদুদা জে পি সী ত্রিপুরাগী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে। মিনিট ৫খক কান্নরগা মেচকী ৬৮শুবা মিনিটতা অমুক ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৪ গোজেন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক জে পি সী ত্রিপুরাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নখি। ঐচ আই এস য়ুগী মায়কৈদগী নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা জে পি সী ত্রিপুরা মায়থীবা নংখি। কিষন অমসুং গোজেন্না চনখিবা গোল অনী অদুনা মতেং ওইরগা মেচ অদু ঐচ আই এস য়ুনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং পি এস জি জিরিবাম অমসুং কে এল এস এ বিষ্ণুপুর শান্নরগনি।

HL-P/205/10-31jan.-1-18feb(alt.)
